Refreshingly Reliable
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses


বি জে পি নাওরিয়া পাখংলাকপা মন্দলনা শীল্লগা কোঞ্জেং লৈকায়দা পাঙথোকখিবা কে মনোরঞ্জনগী পোলিটিকেল কনফরেন্সকী শক্তম


ক্বাকৈথেল হাওরোক-চান্বী সোইবম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবা আর কে ইমোগী রেলি কম পব্লিক মিটিংগী শক্তম


ট্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভর কাউন্সীলগা মণিপুর লৈঙাক্কা খুৎশম্নরগা ফীভম ফত্না লৈরিবা ইম্ফাল-জীরিবাম লম্বী শেমজিনবগী শক্তম অমা


মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিব য়ুথ ফ্রন্ট (নরানসেনা য়ুনিট)না শীন্দুনা নরানসেনা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা টি ঐচ শান্তিগী পোলিটিকেল কনফরেন্সকী শক্তম

Vol. 40, Issue No.204 | নিংথৌকাবা, মেরা ২৪নি পানবা | HUEIYEN LANPAO, | Monday, October 24, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

অপুনবা লমায় মশিং ১২

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
| --- | --- | --- |
| বিষ্ণুপুর | ২৯.৪২ °c | ১৫.০২°c |
| চান্দেল | ৩৩.৭৯ °c | ২৩.৬২°c |
| সীসীপুর | ২৯.৯৭ °c | ১৫.৪০°c |
| ইম্ফাল | ৩১.৮৩ °c | ১৩.৬১°c |
| সেনাপতি | ২৯.১১ °c | ১১.৫১°c |
| তমেংলোং | ৩৩.৩৭ °c | ১৪.৯৫°c |
| থৌবাল | এন এ °c | এন এ °c |
| উখ্রুল | ২২.২৭ °c | ১৩.৫৭°c |
| মণিপুর | ৩৩.৭৯ °c | ১১.৫১°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## নুপী অমা হাৎলম্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ : লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নোঙ্গ্রেন মমাঙ লৈকায়গী চীংদুমচা হায়রগা খঙনবা মফম অমদা নুপী অমা শকখঙদবা মীওই খরনা হাৎলম্লে। অশিবা হকচাং অদু ঙসি অয়ুক্তা ৱাকিং চৎপা মীওই খরনা থেংনরকপনি। মফি-মরোল নীংথিজনা শেৎ-চারম্লবসু মকোক্তা করিগুম্বা অরুম্বা পোৎশক অমনা থোমখিবগী খুদম লৈ। মঙকশমদা ফি অঙৌবা মচা অমসু য়েৎলমই। মহাক অতিয়া মচুগী খোঙ্গ্রাউ অশাংবা অমা শেৎলমই, খুদাং অচোনবী থবাক্তা ঙৌনা লাংবা ফুরিৎ অমা লিৎলমই, শউনগী চপ্পল অমা তোংলমই, কনাগুম্বা খরনা মহাকপু হাৎলবা তুংদা মফম অদুদা হুন্দোক্লম্বা ওইরমগনি হায়না থাজনরি। নুপী অদুগী মমিং-মথা, লৈফম্লচিংবা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

## দোনর মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ : দিপার্টমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর)গী মিনিষ্টর ডো. জিতেন্দ্র হয়েং ন্যু দিল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলগদৌরি। মহাক্না ইম্ফালদা থুংলবগা দোনর অমদি এন ঈ সীগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা পাউমীশিংগা উনগদৌরি।

## উখ্রুলদা সী এম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ : মীয়ামগী অথিংবা মরক্তা হয়েং চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী উখ্রুলদা চৎনবা থৌরাং লোইরে। ঈরাং থোক্তনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

## গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

*গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।*

## HL POLL

**Q :** Food Security Act ki cheng fangdabagi wathok electionda issue oina khannaba chummi khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Mikhal mamangda BJP gi chief minister oigadaba candidate laothorakkani haina thajabra?

Yes 31% No 69%

## অস! লোইরেহে!

ছুতি লৌগে হায়রগা অমুক লৌররোই হায়রিসি করিগীনো...?




### ঈ জি এমনা শীনবা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্টকী ৱার্কশোপ

# চেঙ ফংদ্রে হায়না চৈবগী মহুত্তা ফংনবা লম্বী তাকপীয়ু : ক্ষেত্রি বিরেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(ঐচ এন এস): নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা মীয়ামদা ফংহনগদবা চেঙ ফংদ্রে হায়দুনা পাউমী পুরগা পাউচেশিং নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক্স মিদিয়াশিংদা চৈবগী মহুত্তা কমদৌনা মীয়াম্না ফংদ্রিবা চেঙদু ফংবা ঙমগদগে হায়বগী লম্বী তাকপীবনা চুমগনি হায়না কঞ্জ্যুমর এফেয়ার্স, ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর ক্ষেত্রি বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।




এদিটরস গিল্ড মণিপুরনা শীনবা, কঞ্জ্যুমর এফেয়ার্স, ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্টগী তেংবাঙগা লোয়ননা ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক্তা পাঙথোকখিবা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্টকী মতাংদা পাউমীশিংগা ৱাখল তামিন্নবগী ৱার্কশোপতা মিনিষ্টর অসিনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

মহাক্না হায়খি, এক্ট অসিগী মখাদা বেনিফিসরিশিংদা চেঙ ফংহনবা ঙমদবা অমসুং চাং চানা পীবা ঙমদবগী ৱাথোক কয়ামরুম লৈ। লৈরিবা ৱাথোকশিং অসি তপ্না তপ্না ৱাখৈবা য়াবগী লম্বী লৈ। এক্ট অসি ইনৌ নৌবা অমসুং অহানবা ওইনা পায়খৎপনিনা তাঙ্কক কয়ামরুমদা অহোবা লৈ হায়বসি মহাকসু খঙই।

অহোবশিং অদুগী মনুংদা রাসন কার্দ পীনবা মমিং থাগৎলগা এন আই সীদা দিজিটেলাইজ তৌনবা হোৎনবদা মশীং শুনা য়াওরক্তবগী ৱাথোক লৈ। মশীং শুদে হায়দুনা লৈকায় অদুদা লৈরিবা এজেন্টনা মীয়ামদা রাসন কার্দ য়েন্থোকউ হায়বা য়াদবসু য়াওই। সেন্টরদগী এক্ট অসিগী মখাদা চেঙ পীরক্লিবসি চপ চানা হোৎলগা পীরকপনি। মথাং কয়ারক্তা চেঙ থাংদোক-থাংজিন তৌবদা মাঙলিবা চেঙশিং অসি মেনখৎনবা অহেনবা চেঙ পীরকপা লৈতে। মসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা এজেন্টশিংনা চেঙ ৱাৎনা পীবা য়াওরম্বা য়াই। মদু লৈঙাক্না লৌহৌবদি নত্তে।

চেঙ ফংহনবা হায়বসি কঞ্জ্যুমর এফেয়ার্স, ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্টকী নত্তে। দিপার্টমেন্ট অসিদি দুকান ফম্বগুম্বনি। এজেন্টশিংনা থাগী চেঙ চিংথোকখিবা, মদুগী শেনফম দিপার্টমেন্ট অসিদা পীখৎলকপা অমসুং মথংগী চেঙ পীবা ঙম্নবা দিপার্টমেন্টনা হোৎনবনি। চেঙ ফংহনবগী থৌদাংদি দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিগীনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি, ফংফম থোকপা মীদা রাসন কার্দ পীদবা তারগদি রাসন কার্দ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ইলেক্সনগী মতম নবেম্বর ৩ ফাওবদা লাউথোক্লবা য়াই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(ঐচ এন এস): মণিপুর, গোৱা, উত্তর প্রদেশ, উত্তরাঞ্চল অমসুং পঞ্জাব লেজিসলেটিব এসেম্ব্লি মীখলগী মতম থা অসিগী ২৮দগী নবেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা লাউথোক্লবা য়াই।

গোৱাগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসনা ষ্টেট অদুগী মীখল দিসেম্বর ১১দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা মীখল পাঙথোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসন্দা হায়জখ্রে। অদুমকপু মথং চহীগী মার্চ ফাওবদি লৈঙাক পায়বগী মতম লৈরি।

ন্যুজ এজেন্সী অমদা ফোঙলকপা পাউনা হায়, চহী অসিগী দিসেম্বর ১১দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা মীখল পাঙথোকপীনবা প্রপোজেল অমা থারক্লে। হায়রিবা প্রপোজেল অদু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা য়ারবা য়াই হায়না ওফিসল ওইবা পাউনা মখা তারি।

গোৱাগী চীফ ইলেক্সন ওফিসরনা তৌরকপা সজেসনগী মতুং ইন্না গোৱাগী মীখল অতোপ্পা ষ্টেট মরি হায়বদি মণিপুর, উত্তর প্রদেশ, উত্তরাঞ্চল অমসুং পঞ্জাবগা পুন্না পাঙথোকমিন্নবা পামই। ষ্টেট অসিগী এসেম্ব্লিগী সিট ৪০ লৈ। হায়রিবা এসেম্ব্লি অসি কুমজা ২০১২গী মার্চ থাদা লিংখৎখিবনি।

গোৱানা লেপ্লিবা মতমসিদা মীখল পাঙথোক্লবা হায়জরকখিবগী মরু ওইবা মরমদি খৃষ্টমাসকী ছুটি লৈবা অমসুং কোলেজ অমদি স্কুলশিংগী চহীগী ইগজাম মথং চহীগী জন্যুৱারী অমসুং মার্চ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লগদৌরিবসি য়েংলগনি। এসেম্ব্লি অসিগী টার্ম মথং চহীগী মার্চ ৩দা লোইবা মরম্না মীখলগী থবক থৌ-রমশিং মার্চ মমাঙদা লোইদবা য়াদে।

মণিপুরগীসু মতম অমদা হেক্তা মীখল পাঙথোকপা য়ানবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারনা অকনবা থবক লৌখৎলি। মথং চহীগী জন্যুৱারী ১দা অরোইবা ইলেক্টোরেল রোল ফোঙগদবনা নুমিৎ অসিদগীদি মতম অমদা হেক্তা ইলেক্সন পাঙথোকপা য়ারে। ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ৪৫নিগী মনুংদা মীখলগী মতম লাউথোকপা চৎনবী ওইবনা গোৱা, মণিপুর, উত্তর প্রদেশ, উত্তরাঞ্চল অমসুং পঞ্জাবকী মীখলগী মতম থা অসিগী ২৮দগী নবেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা লাউথোক্লবা য়াই। হায়রিবা ষ্টেট মঙা অসিগী মীখলগী মতম নোংমখক্তদা লাউথোক্কনি।

সেন্ট্রেল এজেন্সীশিংগী সোর্স মতুং ইন্না মীখল অসি জন্যুৱারী ১৮দা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পানরি। বি জে পিনা পঞ্জাব নত্তনা অতৈ ষ্টেটশিংদা হৌজিক হৌজিকমক শাফবা ফীভমদা লৈবনা মীখলগী মতম ঙনখৎপদা থোইনা কাইদে হায়না লৌনরি। মীখলগী মতম ঙন্না লাউথোক্লবদি থবক লৌবদা অপনবা থোক্লবা য়াই হায়রি।

# মণিপুরদা শাবা কৌতা ঙা মেলাদা পুথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(ঐচ এন এস): নিঙোল চাক্কৌবগী ঙাগী মেলাদা ত্রিপুরা সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ফিসরিজ এন্দ এক্বাকলচর বাইও-টেক্নোলোজিনা পেংবা কে জি ২০০ পুথোক্তুনা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিগা ইরোয়ননা ষ্টেট অসিগী ফিসরিজ দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা কৌতা ঙা মেলাদা য়োল্লগনি।

কৌতা ঙা পুথোক্তুনা মীয়ামদা য়োনগদৌরিবসি অনৌবা চাংয়েং অমনি। মসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা তোপ তোপ্পা মহাও অমা পীবদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী ঙামীশিংদা থবক পীবা ঙমগনি। মফমসিদা ফংবা ঙানা শেমগদবা কৌতা ঙাশিং অসিগী মমল কয়া ওইগদবনো হায়বদুমক্তি হৌজিকমক্কী ওইনা লেপথোক্ত্রি হায়নসু দিরেক্টর অসিনা মখা তারি।

ঙাগী মেলা অমসুং ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা হোৎনবদা শেল থাদোক্তবগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি। মেলা মমাঙদা শেল থাদোকপীরবদি নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা শীনগদৌরিবা মেলা অসি হেন্না মপুং ফাহনবা ঙমগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইরাংদা লোক্তাক ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা লমদম ওইহল্লসি : কে মনোরঞ্জন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লীগী মীখলদা কোংগ্রেস পার্টি শোয়দনা তুরগনি, কোংগ্রেস লৈঙাকসু হল্লক্লরোই। মরম অসিনা বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা মণিপুর অসি শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়না নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা কে মনোরঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি নাওরিয়া পাখংলাকপা মন্দলনা শীল্লগা কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা অপুনবা নহারোলগী শক্তি (এ এন এস) গী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল কনফরেন্স কম মিট দ নিঙোলসকী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পিগী এক্টিব মেম্বরসু ওইরিবা কে মনোরঞ্জননা হায়খি, ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস তুরগদবনা নাওরিয়া এ সীদসু কোংগ্রেস পার্টি শোয়দনা তুরগনি। হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেস পার্টিসিনা চথরিবা পোলিটিক্সকী মওং মতৌশিং অসি লোইশিল্লগা মীয়ামগী ওইবা বি জে পিগী লৈঙাক অমা ষ্টেট অসিদা শোয়দনা লাক্লগনি খল্লি। কোংগ্রেসকী লৈঙাক্লোন্দা অশোয়বা কয়া লৈবনা চীং অমসুং তম খাইবুং খাইবুং তান্নবগুম তৌরি। চীংমী-তম্মীগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তান্নরিবা ফীভম অসিসু বি জে পিগী লৈঙাক লৈরবতদা পুনশিনহনবা ঙমগনি।

সেন্টরদা লৈরিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# সিগ্নেচর কেম্পেয়ন চথবা হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(ঐচ এন এস): কোওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (সী বি এস টি দি এম)না চঙশিল্লকপা মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১)গী মনুংদা সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা তকশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মাস সিগ্নেচর কেম্পেয়নসু চথবা হৌরগনি।

মীতৈ/মৈতৈ মীয়াম্না পীরকপা সিগ্নেচর তৌরবা চেরোল অদু পুন্না গভর্ণমেন্টতা থাজিন্দুনা ঈহৌ অসিবু লমদমসিগী মীতৈ/মৈতৈ মীয়াম্না সপ্পোর্ট তৌই হায়বদু তাক্লগনি হায়না সী বি এস টি দি সী এমগী পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভিনর দল্লিয়ু আনন্দ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

# থবক তৌগদবা মীওইদা ভোট পীসি : আর কে ইমো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(ঐচ এন এস): মণিপুরগী হীরমদা থবক তৌবা ঙমগদবা, হীরম খূদিংমক থেংনবা ঙম্বা অমসুং মনুং-মপান খাইদনা মীয়ামগী থবক তৌগদবা মীওইদা ভোট পীসি হায়না সগোলবন্দ এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ, আর কে ইমোনা মীয়ামগী খোঙচৎকা লোয়নবা মীফমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখ্রে।

সগোলবন্দ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অমসুং সগোলবন্দ কন্সটিট্যুয়েন্সী প্রোগ্রেসিব কম্মিটিনা শীন্দুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু ঙসি সগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ লাই লম্পাক্তগী হৌরগা ক্বাকৈথেল হাওরোকচান্বী সোইবম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা থুংখি।

মফম অদুদা পাঙথোকপা মীফমদা এম এল এনা হায়খি, সগোলবন্দ এ সীগী মীয়ামদা...মখা লামায় ৩ কলম ২

# অওনবা পুরক্লবা হোৎনবা মতম ওইরে : টি ঐচ শান্তি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(ঐচ এন এস): খুন্নাই অসিগী তুংগী খল্লগা চাউখৎ লম্বীদা অওনবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে হায়না মোইরাং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)দা মীরেপ ওইগদৌরিবা টি ঐচ শান্তিনা ঙসি নরানসেনা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা ফোঙদোকখ্রে।

মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিব য়ুথ ফ্রন্ট (নরানসেনা য়ুনিট)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নরানসেনা জি পিগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা টি ঐচ শান্তিনা হায়খি, নরানসেনাদা শক্লাইরবা শান্নরোয় কয়া পুথোকখ্রে। শীংথানিংঙাই ওইবা শান্নরোয় কয়া পুথোকখ্রবা নরানসেনাদা মতিক চাবা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমফাওবা লৈত্রি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

# কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্লবদি লাই হরাওবনা অপুনবগী শক্তম ঙাকপা ঙমগনি : রতনকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩(ঐচ এন এস): উমংলাই কনবা লূপ (উকল)না শীন্দুনা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা মেরা মীফম ঙসি কোনুং মমাঙদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।




এদ্যুকেসন এন্দ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ডো. কে ঐচ রতনকুমারনা অথোইবা মীথুং, লাইলূপ অমদি মেরা মীফমগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন ঙারিয়াম্বম কাংজিয়া মঙাংনা থৌরম মপু, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি কে মেঘচন্দ্র অমসুং পি দি এগী চ্যেরমেন টি মঙ্গীবাবু য়াওনা উকলগী মরুওইবা মীওই কয়ানা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর রতনকুমারনা হায়খি, চীংমী-তম্মী হৌরকপগী ৱারী অমসুং নুংদা চেল্লিবা নুংশিনবগী মরীশিং অদু লাই হরাওবগী কাঙলোন্দা য়াওরি। লাই হরাওবগী কাইফদ্রবা মচৎশিং অদু কাঙলোন চুমনা পাঙথোক্লবদি চীংমী-তম্মীগী অপুনবা শক্তম শাগৎপা ঙমগনি। লমসিদা মহাক কুপ্না রিসার্চ তৌরকই অমসুং ঙসি ফাওবা অৱাৎ কয়া থিগৎপা লেপত্রি।

মহাক্না হায়খি, অসিগুম্বা মরুওইখ্রবা থৌরম অসি ঈথক ঈরাংদা ওন্থোকপা লানগনি। চীংদা খুন্দারিবা চীংমীশিংনসু কুপ্না য়েং-শিনবগী...মখা লামায় ৩ কলম ৪







ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫